থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয় পুন্সি মশক খঙলবরা?



'ঐবু নহানমুক্কী মপোক্তা করি কর্ম্ম তৌরক্তুনা অসি য়ৌনা ৱারিবনো...'। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা, ঈথক থোংবশিংনা, ইমা-ইনে-ইন্দোনশিংনা মচিন্দা তত্তনা শোনবা তারকই। হন্দক মপোকসিদা মহাক্লা তৌখিবা থবক অমত্তদা তাইশিন্দুনা মহাক ৱারিবনি, মহাক্লা তৌখিবা তৌহৈদবা থবক অমত্তা পন্দুনা থবক্তুগী ফত্তবা মহয় ফংবনি হায়বসি কৈদৌঙৈদা হায়দে মীওইবনা। কনাগুম্বা অমদা তাইশিনগনি। মমা মপাদা নৎত্রগা শকউদবা তাইবঙ মপুদা। অখঙ-অহৈ, পন্দিট খুদিংনা হায়রক্কনি - নঙনা ঙসি ফংলিবা অফবা নৎত্রগা ফত্তবা, মমাঙগী মপোক অমদা তৌরকখিবা কর্ম্ম'দুগী মহয়নি। কনাগুম্বা অমনা তুংদা অসুম' হায়রক্লবা, মাবু'মুক্তা ৱাখল তাহনবীরম্মু - নহানমুক্কী মপোক কৌবা পুন্সি অমা কৈদৌনুংদা লৈখিদে, মথং মপোক অমসু ফংলোই কনামত্তনা। হন্দক মপোক কৌরিবা, হৌজিক হিংলিবা পুন্সি অসি নত্তনা অনীশুবা পুন্সি অমা লাইগুম্বা মহাকসু ফংখিবা লৈতে মাঙলমচত্তা। ফত্তবা থবক তৌবগী কনাগুম্বা অমদা চৈরাক পীবা তারবা, মপোক্তুনা লোইদ্রিঙৈ পীফম থোক্তবরনে? চৈরাক পীনবগীবু মপোক অমা ঙাইবা হৌনদে, তৌরোই তাইবঙ মপূসু মথোঙ হুক্তবা থবক্তু। ঐনা ঐবু খঙদ্রিঙৈ, পলেম পম্থৌগী মীনুংশি মখাদা লৈরিঙৈ, নাৱা ওইরিঙৈ মতমদু ঐগী মমাঙ'-মপোকনি। ঐবু খঙবা হৌরকপা- নুংঙাই-য়াইফ, অপাম-নুংশি, অৱা-অনা করিনা করিনো খঙলকপা মতমদুদৈ হৌবনি হন্দক-মপোক। মতমদুদা খনখিবা ৱাখলদুনা লমজিংলক, তৌখিবা থবক ময়ামদুনা লেপকনি - হেদো নাহে চন, লেঙবা-চৎপা ঙল্লক্ত্রবা মতমদুগী পুন্সি-মরেল। অদুবু কৌই মথঙ'-মপোক। ঐনা তৌবা কর্ম্মগী ফল মপোকসিদা অদুম ফংগনি। ফত্তবা লাই (সতান/সৈতান) হায়বা অমা লৈতবনি। লৈরম্বা থোক্লবদি মদু ঐহাক ইশানি, ঐহাক ইশানা শেমজবনি।

মীওইবগী 'ঐ' হায়বা ৱাখলসিনা তাইবঙ অসি শেল্লিবনি। অৱাবসু, নুংঙাইবসু 'ঐ' ঐগী হায়বা ৱাহৈসিদৈ থোকপনি। অহেনবা পাম্বা, অৱাংবা কাবা পাম্বা মীওইবগী লমচৎ অদুনা শেল্লকই 'ইগো' - ঐ, ... ঐতগী ওইবা ৱাখল, নাপল! মাউন্ট এভরেষ্ট চীংদোল খুদুম চনখিবা মতমদুদা 'এদমন্দ হিল্লারি'দা নুপা অমনা হংখি ... 'সার! করিগীনো নঙনা অসুক খুদোংথীরবা থবক অসি তৌরিবা? মমাঙদা মীওই কয়ানা চীংদোল অসি মতোন লোম্না কানবা হোৎনবদা পুন্সি মাঙখ্রবনি, ঙমদদুনা তোকখ্রবনি। ঙসি ঙল্লে নহাক্লা। কান্নবদু করিনো?...'

'কান্নবা!' হিল্লারি, চমম্লনা খুল্লকখি, 'কান্নবা হায়'বু করিনো। এভরেষ্ট চীংদোল মীনা খুদুম চনবা ঙমদনা, লেপ্তুনা লৈবদু উবদা ঐ পোখাফম খঙখিদে। মাবু খুদুম চন্দবা য়াদবনি। ঐগী কান্নবা/কান্নদবা, মদু ৱাহং নত্তে, এভরেষ্ট চীংদোল খুদুম চনবা ঙমদবা হায়বসি মীওইবদা অচৌবা শীংনবা অমনি...'।

শীংনবা! কনানা কনাদা শীংনরিবা? মহৌশাদা মীওইবনা শীংনবা! মদুবু হৌনবা/তৌহৈদবা থবক্লনে? মীওইবসু মহৌশা হায়বদুগী শরুক অমা নত্তরা? শীংনরক্লিবদু মহৌশা'না নত্তে, হিল্লারিগী 'ইগো' না মহাক মশাদা শীংনরকপনি।


হিল্লারিগী ৱা ঙাকসু নত্তে। ঐখোয় ইশানা ইশাদা হন্ন'মুক্তা য়েংজসি। ঐখোয় পূম্নমক ইশাগী ইগো'না মরম ওইদুনা থবক কয়া তৌরি। অহল-লমনশিংনা শাবীরম্বা নৎত্রগা ইশানা শাজখিবা য়ূম অদু, নীংথিনা/নুংঙাইনা লৈবা য়ারবসু হেন্না ফজবা/হেন্না নুংঙাইবা য়ূম অমা শানীংই। করিগী? ঐগী 'ইগো' বু পেলহন্নবা। কোনুংগুম্বা য়ূম অমা শাবা লোইদুনা হোংজিল্লে। য়ূম অদো ঐগী নত্তে, ঐগী ইগো অদুগীনি। ফংলিবা ঐগী খুৎশুমল/তোলোপ/ইনকম - ঐবু অৱাৎপা লৈতনা, অৱাবা য়াওহন্দনা হিংহনবা ঙল্লবসু - পাম্মী ঐখোয় অহেনবা শেনফম, থোইদোক হেন্দোক্লা, চহী চাম্মা ৱাত্ত-পাদ হিংনবা। অহেনবা শেনফম অদু ঐগী নত্তে, ঐগী ইগোদুগীনি। ঐগী ইগো'না পাম্মি- মালেমদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীশক অমা ওইবা! খ্বাইদৈ ইনাক খুনবা মীশক অদু ওইরগা করি তৌদৌরিবা? ৱাহংসিগী পাউখুমদা অতোপ্পা ৱাহং অমা। পাউখুম চাম্মা, ৱাহং চাম্মা, কর্ম্ম লীশিং! পঙলবা 'অশীংবা সাধু' অদুনা হায়রক্কনি ... পূম্নমক কর্ম্মগী ফলনি, তাইবঙ মপুগী লীলানি। অদুগা মার্ক্সিষ্ট, কম্যুনিষ্ট, সোসলিষ্টশিংনা তাক্লক্কনি - সোসল ষ্ট্রকচর, ইকনমিক সিষ্টেম অসিনা মীয়ামসিবু ৱাহনবনি। ফ্রোইদকী ৱাখল্লোন'দা থাজবা সাইকো-এনালিষ্টশিংনা অমুক হায়রক্কনি - মমা-মচাগী মরীদুনা ওইহল্লকপনি। ... পূম্নমক মরম অমা নৎত্রগা অমনা ওইহল্লকপা! মশামক্তুনদি মরম অমা শুকওই ওইদবা! কর্ম্মনা, খুন্নাইনা নৎত্রগা লাইগী নোংদম'না!

'ঐগী' হায়বা ৱাখলসিগা, তাইবঙসিদা হিংলিবা 'ঐ' অসিগী মরক্তা চাউনা মুক্লবা, অমগা অমগা শকখঙনদবা অমা থোক্লি। মসিনি মীওইবগী অৱাবা পূম্বগী হৌরকফম।

নহাক কনানো? শক্লাইবা অমদা হংবীয়ু। ঐ 'তোম্বা/অলবর্ট/ইসমাইলনি'। পোক্লকপদা য়াওরক্তবা মিংদুনা শক্তাক্লক্কনি। মখা তাবদা হায়রক্কনি ... 'ডোক্তরনি, বিজিনেসমেননি, পোলিটিসিয়ননি...' মশানা পায়বা শিনফমদু ওইনা শক্তাক্লক্কনি। মহাক মশানা হিংলিবা পুন্সিদুগী মশক্তি কৈদৌঙৈদা তাক্লক্লোই। মরমদি? মহাক পুন্সি মশক খঙদে।

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# কময়াদা মি কাবা: মসিনা করি খঙহল্লী




ঐখোয়না মি কাবা হায়না খঙনরিবা থৌওং অসি অতৈ করিসু নত্তে হকচাংদা য়াওবা লীম্ফ নোদ কৌবা অপীকপা গ্লান্দ অমা পোমখৎলকপগী থৌওং অমনি। লীম্ফ নোদশিং অসিনা হকচাংগী মফম অতৈদা অনাবা শন্দোরক্তনবগীদমক বেক্টিরিয়া, ভাইরস অমদি হকচাংদা অনাবা থোকহল্লীবা পোৎলম কয়াবু শেংদোকপা অমদি ফাজিনবনচিংবগী থবক তৌই।

লীম্ফ নোদশিং অয়াম্বনা ইঙ্কি মখায় য়ৌনা চাউদে, চাউরাক্লা হৱায় মৰূ অমগী চাংদা চাউই। করিগুম্বা মতমদা টেন্নিস বোলমুক্কী চাংদা চাউরকপা য়াওই। হকচাংগী কময়াদা লৈবা লীম্ফ নোদশিংবু ইনগুইনেল লীম্ফ নোদ হায়নসু কৌই। কময়াদা লীম্ফ নোদ পোমখৎপা হায়বদি মি কাবা অসি অশোকপা নৎত্রগনা উনশাগী ইনফেক্সন্না থোকহনবা য়াই। সেক্স্যুয়ল্লি ট্রান্সমিটেদ ইনফেক্সন (এস টি আই) অমদি কেন্সরনা মরম ওইরগসু কময়াদা মি কাবগী থৌওং থোকহনবা য়াই।

অনম্বনা কময়াদা মি কাবা অসি হকচাংগী মখা থংবা শরুক হায়বদি কময়া, ফিনুং, ঈশিং মরী, খোঙ অমদি খোঙপাক্তা ইনফেক্সন তৌবা নৎত্রগনা শোকপা পনবা য়াওবা মতমদা তৌগল্লি। খুদম খরা পল্লবদা- এঠলেট'স ফুট, জোক ইটস, ভেজ ইনেল নৎত্রগনা পেনাইল য়িষ্ট ইনফেক্সন, য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন, সেল্লুলাইটিস, বালানাইটিস, প্রোষ্টাইটিস, সিষ্টাইটিস, জেনাইটেল হর্পিস, গোনোরিয়া, সিফিল্লিস, ঐচ আই ভি অসিনচিংবশিংনি।

য়াম্না তাঙনা থোকপা কেস ওইনা কময়াদা মি কাবা অসি কেন্সর মখল খরনা থোকহনবসু য়াওই। খুদম ওইনা মেলানোমা, টেষ্টিকুলর কেন্সর, ওভারিয়ান কেন্সর, লিম্ফোমা, ল্যুকেমিয়া অসিনচিংবশিংনি। লিম্ফোমা অমসুং ল্যুকেমিয়ানা থোকপা মতমদদি মি কাবা অসি মফম অমদগী হেন্না কাগল্লী।

মসিদা নত্তনা মোনোন্যুক্লিওসিস অমদি চিকনপোক্সকুম্বা ইম্যুনোদিফিসেন্সি দিসওর্দর অমসুং ইনফেক্সনশিংনসু থোকহনবা য়াই।

নোর্মেল ওইবা লীম্ফ নোদশিংদি পীকই, পায়বদা নাবা ফাওদে অমদি খূৎনা নম্বদা উনশা মনুংদা কোয়চেন চেল্লী। অয়াম্বা মতমদা মি কাবা অসি ইনফেক্সন নৎত্রগনা অশোকপা মফমগা নক্লনা মফম অমখক্তংদা তৌগল্লী। মফম অমদগী হেনবদা মি কারবদি মদুবু জেনরেলাইজ লিম্ফাদেনোপেথী হায়রগা খঙনৈ। মিজলসকী অকক্লবা হীদাক লাংথক খরনসু জেনরেলাইজ লিম্ফাদেনোপেথি থোকহল্লি।

অমেরিকাদা লৈবা ওহাইয়োগী ক্লিভলেন্দদা লৈবা ক্লিলেন্দ ক্লিনিককী মতুংইন্না দাইমিটরদা সেন্টিমিটর অমদগী হেন্না চাউনা মি কারবদি এবনোর্মেলনি হায়না লৌই। কময়াদা মি কাবা অসি শোকপা-থেংবদা নাবা ফাওই, অমদি মি কাহল্লকপগী মরম খেন্নবগী মতুংইন্না মি কারিবা মফমগী উনশা অদু ঙাঙশিনবা অমদি শাগৎপা থোকপা য়াই।

কময়াদা মি কাবা হায়বসি লায়না অমা নত্তে, লাইওংনি। মসিবু থোকহল্লক্লিবা লাইনাদুগী মতুংইন্না লায়েং খেন্নগনি। করিগুম্বা ইনফেক্সন্না থোকহনবা ওইরগদি ইনফেক্সনগী খেন্নবা মখলগী মতুংইন্না টোপিকেল ট্রিটমেন্ট হায়বদি উনশাদা এন্টিবাইওটিক/এন্টিফঙ্গেলনচিংবা তৈদুনা লায়েংবা নৎত্রগনা ওরেল ট্রিটমেন্ট হায়বদি হীদাক চাদুনা লায়েংবা মথৌ তাবা য়াই নৎত্রগনা অনীমক মথৌ তাবসু য়াই।

করিগুম্বা কেন্সরনা মরম ওইরগা মি কাহনবা ওইরগদি কেন্সরগী মখল, ষ্টেজ, অনাবা মীওই মশাগী চহী অমদি হকশেলগী ফিভম খেন্নবগী মতুংইন্না কেমোথেরাপি, রেদিএসন থেরাপি, ইম্যুনোথেরাপি, টার্গেটেদ থেরাপি, ষ্টেম সেল ট্রান্সপ্লান্ট নৎত্রগনা সর্জরি মথৌ তাবা য়াই।

মি কাবা অসি অয়াম্বনা মসিবু থোকহল্লক্লিবা লাইনা অদু ফখ্রবা মতমদা মথন্তা হন্থজখি। খুদম ওইনা খোঙলক্তা চাথৎপগুম্বা ইচম চম্বা উনশাগী ইনফেক্সন অমা থোকপনা মরম ওইরগা মি কারকপা ওইরবদি ইনফেক্সন অদু লায়েংলগা ফরক্লবা মতমদা মি কারম্বা অদুসু মথন্তা হন্থজখিনি।

খঙজিনগদবা অমনা কময়াদা মি কাবা হায়বসি ইশানা হেক্তা মরম অমা ওইরম্বা য়াই হায়না লেপথোকপা য়াদে। করিগুম্বা ইশাগী কময়াদা মি কাবা লৈরগদি দোক্তরদা য়েংথোকপিগদবনি। দোক্তরনা য়েংলবা মতুংদা মি কারিবদুগী মরমদা চপ চাবা অদু খঙবগা লোয়ননা লায়েং চথুগদবনি।

দোক্তরদা শুকশোয় শোয়দনা য়েংথোকপা মথৌ তাবা লাইওংশিংদি-মিৎনা উবা ঙম্বা শোকপা-পনবা নৎত্রগনা উনশাদা ইনফেক্সনগুম্বা থোকপা উদনা মি কারকপা; চয়োল অনীদগী হেন্না মি কাদুনা লৈরবা অমদি চাউবা হেনগৎলক্লবা; অপোম্বা অদু খূৎনা পায়বদা কন-কন লাউরবা অমদি খূৎনা ঈনবদা কোয়চেন চেন্দ্রবা; মি কাবগা লোয়ননা লাইহৌ হৌবা, মরম লৈতনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থরকপা নৎত্রগনা নুমিদাংদা হুমাং অনপ্পী কাংবা; সেক্স্যুএল্লি ট্রান্সমিটেদ ইনফেক্সনদা এক্সপোজ তৌরুরবা অসিনচিংবশিং অসিনি।

কময়াদা মি কাবা অসি ইচম চম্না হকচাংগী মখা থংবা শরুক্তা শোকপা-পনবা য়াওবগী ওইরম্বসু য়াই। অদুবু করিগুম্বা মতমদা হেন্না শাথিবা মরম্না ওইহল্লকপসু য়াওদবা নত্তে। মরম অদুনা দোক্তর অমগা শুকশোয় শোয়দনা তানবিগদবনি।

## 'মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচ এন এস): ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা ফুল পেদ তৌখ্রবা এল আই সী পোলিসী অমা অখন্ননা মিনি ৱার্কর অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্কর এন্দ হেল্পরশিংগীদমক লৈখ্রবনি। এল আই সী পোলিসী অসিগী মিংদা আই সী দি সী প্রোজেক্ট ওফিসল অমদি য়ুনিয়ন অমগী মীওই খরগা মান্নরগা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমদি মিনি ৱার্করশিংদগী নমদুনা শেল ককপগী থবক অমা হৈনবী ওইরক্লিবসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু হায়না অঙ্গনৱাদি ৱার্কর এন্দ হেল্পরস য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আই সনাতোম্বীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর, হেল্পর অমসুং মিনি ৱার্করশিংনা ৱানা শুরিবা য়ামখ্রবা থবক অসি ঈকায় খুম্নবা ওইনা মিনিষ্ট্রি অসিনা পীরিবা ওনরেরিয়ম অমদি অতৈ বেনিফিট পর্সনেল একাউন্ট ষ্টেটকী খুথাংদা হাপ্পীয়ু। অতৈ ষ্টেটশিংদা ৱার্কর, হেল্পরগী পর্সনেল বেঙ্ক একাউন্টদা ট্রাঞ্জেক্সন তৌই। মণিপুর ষ্টেটকীনা পীদবগী মরম শেংদোক্তুনা অথুবদা থবক ওন্থোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ইন্দিরা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস): কোএলিসন এগেষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসনগী থৌ পুরম্বী ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইদগী অঙোম ওংবী ইন্দিরা (৫৬)না মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুগা মনুং মতম চানা লৈখিদবদা (কাদা)না থম্মোই শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্লা লৈখিদবদা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না খুংদোংবম অনন্দ সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কাদানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা কাদানা চংশিল্লকপা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবা তোঙান-তোঙানবা খোঙজংশিংদা শরুক য়াদুনা খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোলনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইরোলনুংদা লুপখ্রগনি হায়বা ৱাখল অসিনা লমজিং ওইদুনা খুন্নাই অসিবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইপাক্তগী কলহৌদবা য়াদে হায়বা অচেৎপা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা নিংহন্নবা লৈতনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ময়োক্তা থৌনা ফনা খোঙজং চংশিল্লম্বী অচংবা থৌমী অমনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## শরুক য়াখিবশিংবু থাগৎলি : য়াইবিলেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০ (ঐচ এন এস): য়াইবি-লেন্নফম (য়াইবিলেন)গী ৩৬ রকশুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর অমদি পুন্নমকপু থাগৎলি হায়না য়াইবিলেনগী থৌবুরেল য়াঙ্গোই পিবানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরনা য়াইবিলেনগী থৌবুরোয়শিং উনরগা পীবা য়াবা তেংবাং পীগনি হায়না ফোঙদোকপীরম্বগীদমক থাগৎলি। কৈবী হায় স্কুলগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিং লাকপীরম্মী। কৈবী অৱাং লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা মীতৈগী ওইবা ফিজোল শেৎতুনা অথেনপোৎ পুরকখিবগীদমক থাগৎলি হায়রি।

### স্মরণ/ চহীগী কুমওন লাকপদা



হন্দক্কী মপোক লাংওন্দা
নুংশিজরবা ইচা (অতোম্বা, তোনদোন, মুনি)
ওক্টোবর ১২না লাকপদা,
নহাক্কী কুমওন ফিরোই লাক্লেদো
পূন্নমকপু থাদোক্লম্লগা, লাইরৈপাক্তা
চৎখিবা চহী কুমজা ফারক্লে,
নুংশিনা নীংশিংলি, কাউঙমদনা থম্মোয়না
নচিন-ননাও মরক্তা; হরাও তরাম্না
য়াওরিবোই নীংই ইমানা।
ইমা-ইমা থিরক্লবোই নীংই ইমাবু
লাকখিদবোই নীংই ইমাগী নাক্তা
নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ইমানা নঙবু ঙাইবনে
অদুবু নঙদি লাকখিদরে
করম খাংগনি ঐখোয়দি।
মপু মাগী মনাক্তা
লৈখ্রবোইদো নহাক্তি।
নুংঙাই-য়াইফবা ওইয়ুকো
মথংগী মপোক লাংওন্দা।

*নহাক্কী অপোকপী - বিলাসিনি*
*অপোকপা - ইবোমচা*
*নচে, নয়াম্বশিং অমসুং নতৈমশিং*
*কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকায়*

HL-P/4042/11,12

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।১০।২০১৯ ইং,ইরাই,
মেরাগী ১৩নি পানবা।

মেষ : অরুবা ৱাফমদা লৌশিং থোকপা খরা ৱাৎপনা ওজা-গুরু তানবা ফগনি, থবক নৎত্রগা শেলগীদি য়েৎখিনি। মরুপকী মতেং, নুংঙাইবা পাউদি লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : হুরানবনা নরলদা মীতাবা লৈগনি অমদি মীতোপ লোয়নবসু মাঙজগনি। মরুপ-মপাংনা চানবীবা ৱাৎলি অদুনা নোল্লুক্লা চৎপা ফগনি। লন অমদি থবক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : হেন্না অশা চাওবনা মীপাইবদুম নংগনি অমদি মরম চাদনা থৌনা ফুদোকপা য়াদবা নুমিৎনি। তপথৌ অমদি নোল্লুক্লা চৎপনা মাঙগদবা কয়াদগী কঞ্জগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবগী পূক্লিং খঙনবা হোৎনৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি লল্লোন ইতিক কান্নবা ৱাৎকনি। অদুবু মীচৎ ফংবা, থবক মায় পাকপগী নুংঙাইবা অমদি নচা ননাই চাওখৎপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : ঙসিসু নীংবা থুংগনি, অনৌবা অশাগা লোয়ননা অনৌবা থবক পায়বা মায় পাক্কনি। থাজদবা নুংংঙাইবা পাউ তাগনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : মায় পাক্কনি, লন চাওখৎকনি অমদি মীয়ামগা খূৎশম্নমনা পায়খৎপা থবক শোইদনা মহয় য়ানগনি। ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি, ৱাখল নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : মতম মাঙবনা হেনবা ঙসিসু লৈগনি অদুনা হোয়া ফগনু অমদি হেন্না অশা চাওগনু। নথক থোংবনা য়ানবা চৎলু অমদি থৌনা ফুদোকপা য়াদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথনা লৈগদবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

বৃশ্চিক : পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা লাক্লে, ৱাঙাঙ হৈবনা মীংচৎ অমদি অরং-অরাক পংগনি। হন্থবা লোয়নবা নত্রগা অখঙ-অহৈ শাবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

ধনু : মায় পাক্কনি, মীচং হেনগৎপা অমদি ইচং থৌবনা অফবা থবক পাংবা শোইদনা ঙমগনি। লৈঙাক্কী থবক্তা কনানসু লাকচবা ঙল্লোই। মীতোপ্তি থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : মরুপ-মপাংগী মতেংনা অনীংবা থবক পাংবা ঙমগনি অমদি শেল-থুম ফংগনি। ইচং থৌবদি য়াদে, পাইরক্কী লৌশিং শোনগনি, লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইথোকপা ঙমগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্বা : হরাওবা-নুংঙাইবা নীংবা থুংবা অমদি য়েক্লববু ঙমজবা ঙসিসু লৈগনি। হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগৎকনি অমদি চাদিং হন্থগনি। চোপ্তনবদি ৱাঙাঙ হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।


মিন : মীনা ইনশিনবা লৌগনু অমদি অখঙ-অহৈসু শাগনু-মদুনা মাঙজবতা থংগনি। শেল-থুমদি ফংবা য়ানা লৈরে অমদি অতুম্বা পাম্বৈনা অনীংবা পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থিবা হুম্বা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# 'ইমা কৈথেল'

## তুশার নোংথোম্বম









Tushar Nongthombam is a Photographer.